## লায়েংদ্রবদি অসাঞ্জ জেলদা শিবা য়াই

লন্দন, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি) :
ৱিকিলিক্সকী ফাউন্দর জুলিয়ন অসাঞ্জপু অথুবা মতমদা অনালায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা দোক্তর ৬০ হেনবনা দিমান্দ তৌখ্রে হায়না বৃটিশ মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি। হৌজিক বৃটেনগী জেল অমদা লৈরিবা মশাগী চহী ৪৮ শুরবা মীওই অসি লায়েং চখনবগীদমক্তা য়াম্না থুনা হোস্পিটালদা পুগদবনি নৎত্রগা মহাক জেলদা শিবা য়াই হায়না দোক্তরশিং অদুনা বৃটিশ হোম সেক্রেটরি প্রিটি পাটেলদা ইবা লেটর অমদা পনখি হায়রি।

## টর্কিনা মিলিটরি ওপরেসন মখা চখদে

অঙ্কারা, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি) :
নোর্থ ইষ্ট সিরিয়াগী মতাংদা টর্কিনা রসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লোয়ননা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্টশিং অঙ্কারানা মপুং ফানা ঙাক্লি অমসুং লমদম অদুদা টর্কিগী মায়কৈদগী মিলিটরি ওফেন্সিভ অমুক হন্না চখবা তৌদে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা সিক্যুরিটি সোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# চাইনা দেমোক্রেসিগী য়েক্লবনি : টাইৱান রুলিং পার্টি




টাইপৈ, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি) :
জন্যুৱারি ১১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টাইৱানগী প্রসিদেন্সিএল অমসুং লেজিসলেটিভ মীখলশিংগী মাঙওইননা ইথৎ অদুগী পোলিটিক্সতা চাইনানা খুৎ থিংজিল্লি হায়বগী অনৌবা ক্লেম লাকখ্রবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেনগী রুলিং পার্টিনা চাইনাবু দিমোক্রেসিগী য়েক্লবা অমনি হায়খ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মিদিয়া রিপোর্টশিংদা ফোংখিবা চাইনাবু মরাল শীবা ৱাফম অসি মশানা মশাবু চাইনিজ স্পাই অমনি হায়জবা ওষ্ট্রেলিয়াদা পোলিটিকেল চঙজফম লৌনবা হোৎনরিবা চাইনিজ অমনা ফোঙদোকখিবনি।

টাইৱানবু তঙাইফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নদুনা বৈজিংগী কন্ট্রোল মখাদা থমগদবনি হায়রদুনা ইথৎ অসিবু চাইনাগী শেংলবা টেরিটরিনি হায়না ক্লেম তৌরিবা বৈজিংনা ওষ্ট্রেলিয়াদা চঙজফম লৌনবা হোৎনরিবা মীওই অদুবু নমথাক তৌবা মীশক্লি হায়না ফোঙদোকখি। ৱাং লিকিয়াং কৌবা চাইনিজ নুপা অদুনা চাইনিজ টেরিটরি হোং কোংদা লৈবা য়ুনিভর্সিটিশিং অমসুং মিদিয়াদা চাইনানা নারোন্দগী ইথিল পীনবা হোৎনবগী অকুপ্পা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি। টাইৱানবু হৌনবী মতুং ইন্না চাইনাদগী নীং তম্না লৈবগী ৱাফম শৌগৎলিবা সাইগী দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টিগী চ্যেরমেন চো জুং-তাইনা হায়খি মদুদি, হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী তঙাইফদবা লৈ। চাইনাদগী শেমজিন-শাজিনবা পাউ কয়া লাকই হায়বসি খঙনরবা ৱাফম্নি। দেমোক্রেসিগী য়েক্লবদি চাইনানি। হৌজিক টাইৱানগী খ্বাইদগী চাওবা ওপোনেন্ট অমদি কম্পিটিটরসু চাইনানি হায়না চোনা টাইপৈদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

টাইৱানগী প্রসিদেন্সিএল ওফিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাইনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মিদিয়াদা ফোঙনরিবা মরাল শীবা ৱাফম কয়া হৌজিক চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বদু থিজিল্লি। মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লিঙৈদা মীয়াম্না অসিগুম্বা রিপোর্টশিংগী মতাংদা ৱারোইশিন পীবগী থৌওং চখরোইদবনি।

# কেনিয়াদা লেন্দস্লাইদ থোকপদা মীওই ৫৬ শিরে



মোম্বাসা, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি) :
মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা নোং কন্না চুবদগী কেনিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা থাংজ নুমিত্তা মফম কয়াদা থোকখিবা লেন্দস্লাইদশিংদা শিখিবা মী মশিং য়ামদ্রবা ৫৬ শুরে হায়না লোকেল ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা য়ুগান্দাগা বোর্দর লোন্নরিবা ৱেষ্ট পোকোট কাউন্টিদা নোং কন্না চুবা হৌখি অমসুং অহিংগী মতমদা নোংগী ফিভম হেন্না শোকচিনখিবগা লোয়ননা ঈচাও অমদি মদস্লাইদশিং থোক্তুনা থোং ৪ চীংথক্তগী চেন্থরক্লিবা লৈখোম-লৈনাং মপৈশিংনা চেন্থখি অমসুং খুঙ্গং কয়াগী লম্বীশিং চৎথোক-চৎশিন য়াহনখিদে।

কাউন্টি অদুগী সিনেটর অমা ওইরিবা সম্যুএল পোঘিসিওনা নোংমাইজিং নুমিত্তা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি মদুদি, লেন্দস্লাইদশিং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৬ শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌরে অমসুং মীওই কয়া অমনা থিবা খঙখিদ্রে। থাংজ নুমিৎকী নুংথিল ফাওবা লোকেল ওফিসলশিংনা মীওই ৩৬ শিরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

নোং লেপ্তুনা চুবা অমসুং লৈচিল থাবনা মরম ওইদুনা রেস্ক্যু ওপরেসনশিংদা অয়েৎ-অপন থোক্লি হায়না পনবগা লোয়ননা পোঘিসিওনা মখা তানা হায়খি মদুদি, পুলিস হেলিকোপ্টরশিং ঈচাও থোক্লবা মফমশিং অদুদা চঙশিন্নবা হোৎনরি।

# বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনা রোহিঞ্জা কেম্পশিং সম্বল খাবা হৌখ্রে



ধকা, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি) :
বাংলাদেশগী কোক্স বাজার দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা রোহিঞ্জা কেম্পশিংদা বার্ব ৱেয়রগী সম্বল খাবগী প্রোসেস হৌরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

বাংলাদেশ ওথোরিটিশিংগী অসিগুম্বা রেফ্যুজি কেম্পশিং সম্বল খাবগী খোঙথাং অসি রাইটস গ্রুপশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

মফম অদুদা পাঙথোকপা প্রোগ্রাম অমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংখিবা বাংলাদেশ আর্মিগী চীফ জেনরেল অজিজ অহমদনা হায়খি মদুদি, ঐখোয়গী শেম শাবগী থবক মপুং ফানা অমদি খোঙজেল য়াংনা চঙশিল্লি। কেম্প অমদদি পিল্লর খরফাওবা য়ুংশিনখ্রবনি।

পিল্লরশিং শাবগী থবক্লা কেন্তোনমেন্টতা পাঙথোকপগা লোয়ননা মফম অদুদগী ঐখোয়না পিল্লরশিং অদু সম্বল খাবমদা পুই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

গভর্নমেন্টনা ম্যান্মার অমসুং ইন্দিয়ন বোর্দর পরিংদা কিলোমিটর ২৮৮কী লম্বী অমসু শেমগৎ শাগৎনবসু শেঙ্কসন তৌখ্রে হায়বা ৱাফমসু মহাক্লা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না লম্বী শেমগৎ শাগৎপগী থবক অদু প্লান্নিং ষ্টেজদা লৈরি। য়াম্না থুনা থবক অসিগীদমক্তা কন্ট্রেক্টর খল্লগনি। রোহিঞ্জাশিং বাংলাদেশকী মফম শিন থুংনা শন্দোরকপা থিংনবগী পান্দমদা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা কোক্স বাজারদা লৈরিবা রোহিঞ্জা কেম্পশিংগী অকোয়বদা বার্বব ৱেয়রনা সম্বল খানবগী থৌরাং লাউথোকখিবনি।

কেম্পশিং অদুদা লো এন্দ ওর্দর মেন্টেইন তৌনবা অমসুং রেফ্যুজিশিংগী সেফতি অমসুং সিক্যুরিটি লৈহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা পীখিবা দিরেক্টিভকী মতুং ইন্না কেম্পশিং অদুগী অকোয়বদা য়াম্না থুনা বার্বব ৱেয়রগী সম্বল খারগনি হায়না হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৬ তা হোম মিনিষ্টর অসাদুজামন খান্না ধকাদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি। কেম্পশিং অদুবু সম্বল খাজিনবনা রেফ্যুজিশিংগী নীং তম্না চৎথোক চৎশিন তৌবগী রাইটশিংদা শোকহনগনি হায়রদুনা খোঙথাং অদুবু ন্যু য়োর্কতা বেজ তৌবা রাইটস গ্রুপ হ্যুমেন রাইটস ৱাটচনা ক্রিটিসাইজ তৌখি। ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী অকনবা কেম্প্যেন অমনা মরম ওইদুনা চেনখিবা রোহিঞ্জা রেফ্যুজি ৭,৪৫,০০০ রোম বাংলাদেশকী কেম্পশিংনা লৈরিবনি।

# ইটালিদা ঈশিংদা লাকখ্রবা হিদগী নুপীগী অশিবা হকচাং মঙা লৌখৎখ্রে

রোম, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি) :
হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা ইটালিগী লম্পেদুসা ইথৎতগী উবা ঙম্বা মফমগী মনুং চন্না মাইগ্রেটশিং তোংবা হি অমা ঈশিংদা লাকশিনখিবা মতুংদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা হৌজিক ফাওবদা নুপী মঙাগী অশিবা হকচাংশিং লৌখৎলে হায়না কোষ্ট গার্দকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঈশিংদা হি লাকশিনখিবা মতুংদা ইটালিয়ন রেস্ক্যুৱরশিংনা নুপা ১৩৩ অমসুং নুপী ১৩ অমসুং অঙাং অহুম য়াওনা পুন্না মীওই ১৪৯ গী থৱায় কনখি। থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিংনা মীওই ২০ থিবা খঙদনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

নুপী অহুমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং কোষ্ট গার্দ কটর অমনা সমুদ্রদগী লৌখৎখি অমসুং অতোপ্পা নুপী অনীগী হকচাংশিংসু ঈশিং মপান্দা তারম্বদগী ফাইনান্স গার্দকী পর্সনেলশিংনা লৌখৎখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মাঙখ্রবা মীওইশিং অদুবু সমুদ্রদা থিবগী থবক নোং-চীং অমসুং সমুদ্রগী ফত্তবা ফিভম মরক্তা চখরি। কোষ্ট গার্দনা হেলিকোপ্টর অমসুং ভেসেল অমা শীজিন্নদুনা লাইবক থিরবা থৌদোক অদুদা অতৈ হিংহৌবা মীওইশিং য়াওব্রা হায়না থিবগা লোয়ননা অহেনবা অশিবা হকচাংশিংসু থিরি।

সমুদ্রগী ফিভম কা হেন্না ফত্তবা, মিটর অনী হেন্না ৱাংবা ইথৎ ইপোমশিং হৌবা অমদি মতম অমত্তদা সমুদ্রদা তাশিনবা মীগী মশিং কা হেন্না য়ামখিবগা মরম ওইদুনা রেস্ক্যু ওপরেসন্দা অকায়বা কয়া লৈখি হায়না কোষ্ট গার্দকী ষ্টেটমেন্ট অদুদা মখা তানা পনখি।

নোর্থ অফ্রিকাগা নক্লনা লৈরিবা লম্পেদুসা ইথৎ অসি ময়ুম লৈবাকশিং থাদোক্লদুনা সেন্ট্রেল মেদিটিনিয়ন রুট শীজিন্নদুনা য়ুরোপ য়ৌনবা চৎনরিবা মাইগ্রেটশিংগী অহানবা থুংফম্নি।

চহী অসিগী ওইনা জন্যুৱারি ১ অমসুং নবেম্বর ২২গী মরক্তা মাইগ্রেট ভেসেলশিংদা তোংবা মীওই ১০,১১৫ ইটালি য়ৌখি। কুমজা ২০১৮ দদি হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ইটালিদা মাইগ্রেট ২২,৫৫৮ থুংখি অমসুং কুমজা ২০১৭ দনা পুন্না মাইগ্রেট ১,১৪,৬৭৩ থুংখি হায়না ইটালিগী ইন্টিরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।



# প্রো-গভর্নমেন্ট রেলিনা অশেংবা ইরানিয়নশিং কনা-কনানো হায়বসি উৎলগনি : ইরান ফোরেন মিনিষ্ট্রি



দুবাই, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি) :
টেহরান্দা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা গভর্নমেন্ট শৌগৎপা উৎপা রেলি অমনা অশেংবা ইরানিয়নশিং কনা-কনানো হায়বদু মালেমদা উৎলগনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা পেট্রোলগী মমল হেনগৎনবা ৱারেপ অমা লৌবদগী খোইরাং খোইশাওখিবা প্রোটেষ্টরশিংবু মপান লৈবাকশিংনা শৌগৎনখিবগী থৌওং ঙাক্লিংঙাই ওই হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

থাউগী মমল হেনগৎপগা লোয়ননা চাং তম্না থাউ পীনবা লৌখিবা ৱারেপগী মায়োক্তা চঙশিনবা হৌখিবা মীয়ামগী খোঙজং অদু য়াম্না থুনা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা হৌবা অচৌবা ইরাং অমা ওইরকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০০৯ দা ইরান্না গ্রীন রিভোল্যুসন অমা নমথখিবা মতুংদা থোক্লকখিবা খ্বাইদগী শাথিরবা ইরাং অদুদা য়ামদ্রবদা বেঙ্ক ১০০ অমসুং বিল্ডিং দজন কয়া মৈ থাখি। মসিদা নত্তনা থা কয়ারোম চখখিবা শাথিরবা ইরাং অদুদা মীওই দজন কয়াসু শিখি।

লম্বীদা ইরাং হৌখিবদুগী মতাংদা ইরান্না মপান্দা লোই চত্তুনা লৈরিবা ফত্তবা ৱাখল চেনবা ইরানিয়নশিং অমসুং ফোরেন য়েক্লবশিং ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ইজরেল অমসুং সাউদি অরাবিয়াবু মরাল শীখিবনি। ইরাং অদুবু কন্দেম তৌবা ওইনা ষ্টেটনা শীন লাংদুনা লৈবাক অসিগী সিটি কয়াদা নুমিৎ কয়ানি দেমোনষ্ট্রেসন চৎখ্রবা তুংদা ইরান্না কেপিটেলদা প্রো-গভর্নমেন্ট রেলি অমা পাঙথোক্লবা শীল্লিবনি। রেলি অদুদা এলিট রেভোল্যুসনরি গার্দসকী কম্মান্দরনা ৱা ঙাঙগদবনি।

# প্রোটেষ্টরশিংগা হেজবুলা, অমাল শৌগৎপশিংগা খুৎ থোক্লখ্রে



বৈরুট, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি) :
লেবাননগী কেপিটেল বৈরুটতা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিং অমসুং সিয়াইট গ্রুপশিং ওইরিবা হেজবুলাহ অমসুং অমাল শৌগৎপশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখ্রে হায়রি।

দেমোনষ্ট্রেটরশিংনা মরু ওইবা থোং অমা থিংজিনবদগী উংখৎনবা ফিভম লাকখিবগা লোয়ননা কেপিটেলদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবনি। লেবাননবু দিকেদ কয়া লৈঙাক্তুনা লাকখিবা কাঙলুপ নাইবা পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তা পাক্তক্লনা করপসন তৌবগী থৌওংনা খোইরাং খোইশাওনদুনা মীয়াম্না চয়োল মঙা চুপ্না গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

দোমোনষ্ট্রেটরশিংনা রুলিং ক্লাস অপুম্বা পৱার থাদোকহনবা পাল্লিবনি। লৈবাক অসিদা প্রোটেষ্ট হৌখিবা মতুং ওক্তোবর ২৯ দা মফম থাদোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর সাদ অল-হরিরিনা লুচিংবা কোলিসন গভর্নমেন্টতা হেজবুলাহ অমসুং অমাল অনীমক্কী মীহুৎশিং য়াওরিবনি।

ইরান্না শৌগৎপা খুৎলায় মতিক চানা পায়দুনা মতিক ময়াই লৈরবা হেজবুলাহনা হরিরিনা ফম থাদোকখিবগী খোঙথাং অদুবু কন্না য়ানিংদবা উৎখিবনি। লেবানিজ মিদিয়ানা ব্রোসকাষ্ট তৌবা টিলিভিজন ফুটেজদা নাকল অনীমক্লা নুঙনচিংবা কয়া থানখিবগা লোয়ননা লেবানিজ লান্মীশিং অমসুং রাইওট পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংবু রিং ব্রিজ হায়না খঙনবা মরু ওইবা লম্বী অমদা সিয়াইট গ্রুপশিংগী সপোর্টরশিংদগী তোঙান্না লৈহন্নবগীদমক্তা বেরিয়র অমা শেমখিবগী শক্তম উবা ফংখি।

লোকেল টিলিভিজন ষ্টেসন অহুমগী রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীয়াম তানখায়নবা হোৎনবদা টিয়ার গ্যাস কাপখি। হেজবুলাহ অমসুং অমাল শৌগৎপশিংনা গ্রুপশিং অসিগী ফিরালশিং হাইখি। মখোয়না নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা সিয়া সিয়া হায়না লাউবগা লোয়ননা হেজবুলাহগী লুচিংবা সয়েদ হসন নাস্রেলাহবু শৌগৎপা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

# খা-নোংপোক থংবা ফ্রান্সতা ঈশিং ঈচাও থোকপদগী মীওই ৪ শিরে



রোক্বিুন-সুর-অর্জেন্স, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি) :
ফ্রান্সকী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তগী ঈশিং ঈচাও চাওনা থোক্তুনা লাকখিবগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিত্তা মীওই ৪ শিরম্বা থেংনখ্রে। ঈচাও অদুনা লমদম অদুদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা মুই টাউনগী মনাক্তা রেস্ক্যু হি অমা তাশিনখিবা মতুংদা নিস অমসুং মার্সিল টাউনশিংগী মরক্তা মুই টাউন মনাক নক্লা মীওই অমা শিরম্বা থেংনখি হায়না ভার দিপার্টমেন্টকী পুলিস প্রিফেকচরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা অশিবা হকচাং অমা কবাসেদা কার অমদা য়াওরম্বা থেংনখি অমসুং তানেরোনদা মীওই অনী অমসু শিরমখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। সেন্ট-এন্টোনিন-দু-ভারদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তগী মশাগী চহী ৭৭ শুরবা মীওই অমা হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি।

ফ্রান্সকী খা নোংপোক থংবা লমদমদা চেল্লিবা তুরেল কয়া তোৰ্ব্বান কায়বদগী য়ুম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে অমসুং কার অমসুং হি কয়া কল্লবা ঈশিংগী ঈচেলদা চেন্থখ্রে। ইন্টরিয়র মিনিষ্টর খৃষ্টোফ কাষ্টানরনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ভারদা চত্তুনা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিং অমসুং রেস্ক্যু ৱার্করশিং উনখি হায়রি।

চৈরকসিদা মমাংগী নুমিৎ খরনিগা মান্ননা কনদ্রবসু লমদম অদুদা নোং মখা তানা চুরি। হৌজিক লমদম অদুগী ঈচাও হন্থরকপগী মমিসু উরে হায়রি।

# ইস্লামিষ্ট রেবেলশিংগী মখুত্তগী বৃটিশ হোষ্টেজশিং কনখ্রে



মনিলা, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি) :
ফিলিপিন্সকী খা থাংবা লমদমদা লৈবাক অসিগী লান্মীশিংনা বৃটিশ নুপা অমগা নুপী অমগা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ অমগী মেম্বরশিংগী মখুত্তাগী রেস্ক্যু তৌখ্রে হায়না আর্মিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটরি ওপরেসন অমা চখরিঙৈ মনুংদা মীওই অনী অসিবু ফারিবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিং অদু চেনখিবদগা লোয়ননা লান্মীশিংনা মখোয়বু অশোয়-অঙম য়াওদনা কনখিবনি হায়রি।

অলান অমসুং ৱিলমা হিরোন কৌবা মতৈ-মনাও অদু হৌখিবা ওক্তোবর ৪ দা অবু সায়াফ গ্রুপকী মেম্বরশিংনা নোংমৈ চীংদোন্দা য়ুমথংনরিবা প্রোভিন্স অমদা লৈবা মখোয়না চল্লাইবা রিজোর্ট অমদগী কিদনেপ তৌখিবনি।

ফিলিপিন আর্মিনা ফোঙদোকখিবদা, মীওই অনী অসি মিলিটরি কেম্প অমদা থল্লি অমসুং আর্মিগী মায়কৈদগী মতৈ-মনাও অসিনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৈদুনা চাবা থকপগী ফোটোগ্রাম অমা ইশ্যু তৌখ্রে।

অলান অমসুং ৱিলমা হিরোন হায়রিবা মতৈ-মনাও অসি হৌজিক অশোয় অঙাম য়াওদনা অমসুং ফিলিপিন্স ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবিদুনা লৈরি হায়না বৃটেনগী ফোরেন সেক্রেটরি দোমিনিক রাবকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থা অনী হেনবগী মতম অসিদা অলান অমসুং ৱিলমাগী কেসকী মতাংদা ফিলিপিন গভর্নমেন্টনা খুৎশম্নদুনা লাক্লি। মখোয়না কন্না হোৎনবিখিবগীদমক্তা ঐখোয়না মখোয়দা তৌবিমল খঙবা উৎলি। মরু ওইনা অরুবা ওপরেসন অদুদা আর্মদ ফোর্সেসনা উৎখিবা থৌনা অদুবু ঐখোয়না থাগৎলি হায়না রাবনা মখা তানা ফোঙদোকখি।